HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




‘ইন্দিপেন্দেন্ট ইন্দিয়া-৭৫ : সেল্ফ রিলাইএন্স ৱিথ ইন্টিগ্রিটি’ হায়বা টোপিকতা ইম্ফালগী আই বি এস দিদা পাঙথোকখিবা সেমিনরদা শরুক য়াখিবশিং

নীংশিংবা মরক্তগী লীৎখৎলকপা থৌদোক খরা
লামায় ২

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী এক্সপেন্দিচরগী শেনফম ফোঙদোকখ্রে
লামায় ৩

রন ফোর য়ুনিটি, মরাথোন রেস পাঙথোকখ্রে
লামায় ৫

পোৎ-চৈগী মমল লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌগদবনি : পি পি সী এম
লামায় ৬

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ও বি সী, এস সী অমসুং ঈ বি সীগী মহৈরোয়শিংদা প্রী অমসুং পোষ্ট মেত্রিক্কী স্কোলরশিপকী শেনফমশিং হকথেংননা য়েন্থোকখিবা




Vol. 45, Issue No. 214 | ইরাই, মেরাগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, October 29, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### পাবুং ইবোয়াইমা লৈখিদবগী ৫শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস): ঙসি ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাবুং ইবোয়াইমা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শীন্দুনা ৫শুবা পাবুং ইবোয়াইমা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা পাবুং (থৌনাওজম) ইবোয়াইমগী ফোটোদা মীয়ামনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখি। থৌরম অসিদা পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মৈরা পায়বী মণিপুরগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### দিষ্ট্রিক্ট ৭তা দেঙ্গি কেস ৩৫ থেংনরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস): মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৭তা পূন্না দেঙ্গিগী কেস ৩৫ থেংনরে। অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিদা থোকহল্লক্লিবা দেঙ্গিগী লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌরে অদুবু লায়না অসিনা শাথীবা হেল্থকী প্রোব্লেম থোকহল্লকপা য়াবনা মীয়াম্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি ষ্টেট মেলরিয়া ওফিসর ডা. রহমন চিষ্টিনা লম্ফেল পাৎতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### মীওই ১ ফাদোক পীখ্রে, ১না এবস্কোন্দরনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস): ঙসিদগীনা চহী ৪ রোমগী মমাঙ জুন ২৭, ২০১৭তা ইরোইশেম্বা চীংজিনদা চথখিবা অখন্নবা দ্রাইভ অমদগী ফাগৎলকখিবা হীদাক মনাগী তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং মতম অদুগী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জনা দিজিগনেটেদ ওফিসর (ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন) ইম্ফাল ৱেষ্টতা মথংগী নুমিৎ জুন ২৮, ২০১৭তা খূৎশিন্নরকপদগী লৌখৎখিবা কেসকা মরী লৈননা ঙসি চীফ ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী কেসশিং য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস): ঙসি ৱায়েল চথনবগীদমক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাওনা লুচিংবা জষ্টিস ৩গী বেঞ্চ অমদা লিষ্ট তৌখিবা মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিংগী কেসশিং মথং থাগী ৮দা য়ৈথোকখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩২.০১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.১৮°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৬

**HL Poll**

Q: Licence nongmeising deposit tounabagi order thokpa khaktana fangningliba pandam adu fangba ngamgani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: ShriShri Govindajigi laisangga umang lai khubamsingagi marakta thokhanningdaba thoudok sing thorakpa chumgadra?

Yes 40% No 60%

**অস! লোইরেহে!**

- খুল্লসিরনে ঐবো।



- কায়দে-কায়দে ইবো, তাহৌবনি।

## ডা. লোকেন ভর্সেস এম এল এ আর কে ইমো

# পোষ্টেল বেলোট য়েংহল্লু হায়বা হায় কোর্টকী ওর্দর ইমোনা শীংনরুবদা সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) : কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি মীখলগী রিজল্ট লাউথোকপগা পন্থদনা অপূনবা এসেম্বলি সেগমেন্ট ৬০গী মনুংদগী রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা এম এল এ ১২গী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ইলেক্সন পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবগী মনুংদা অমা ওইরিবা ১১-শগোলবন্দ এ সীগী রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়রিবা আর কে ইমোগী মথক্তা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস অমগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা রুল্লিং শীংনরুবা এম এল এ আর কে ইমোগী স্পেসল লিভ পিটিসন (এস এল পি) অমা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা দিসমিস তৌরকখ্রে।

মীখল অদুদা শুপ্নতগী ভোট ১৯ খক্তদা মায়থীহৌখিবা ডা. কে ঐচ লোকেননা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা এম এল এ আর কে ইমো অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর ৫ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অদুদা পিটিস্নর ওইরিবা ডা. কে ঐচ লোকেননা হায় কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মীখল অদুদা ঈ ভি এমশিংদা থাদনখিবা ভোটশিংগী মনুংদগী মহাক্না ভোট ৯,০৬৬ ফংখি। অদুগা মহাক্কা লম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেস কেন্দিদেট আর কে ইমোনা ঈ ভি এমগী খূথাংদগী ভোট ৯,০৫৬ ফংখি। মীখল অদুদা শীজিন্নখিবা ইলেক্ত্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শিংদা লৈরমখিবা ভোট মশীং অনীমক চাংদম্নবদা পিটিস্নর ওইরিবা ডা. কে ঐচ লোকেননা এম এল এ আর কে ইমোদগী ভোট






মশীং ১০ হেন্দুনা চৎখি হায়বসিনি।

অদুবু, ১১-শগোলবন্দ এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা পোষ্টেল বেলোটশিং মশীং থিনরকপা মতমদদি পিটিস্নর ডা. কে ঐচ লোকেননা পোষ্টেল বেলোটকী খূথাংদগী ভোট ১২৬ ফংলগা আর কে ইমোনা ভোট ১৫৫ ফংখি হায়রি। মরম অসিনা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা আর কে ইমোনা পিটিস্নর অসিদগী পোষ্টেল বেলোটকী খূথাংদা ভোট ১৯ হেন্দুনা মায় পাকখি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নরনা আর কে ইমোগী মথক্তা ফাইল তৌরল্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী অরোইবা ৱায়েল পীদ্রিঙৈগী চৈরক্তা পিটিস্নর ওইরিবা ডা. কে ঐচ লোকেননা মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৯ ওফ ২০২০ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌখি।

পিটিস্নরগী মিসেলিনস কেস অসিদা মহাক্না হায় কোর্টতা হায়জরল্লিবনা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসর/রিটর্নিং ওফিসরদগী মীখল অদুদা শীজিন্নহৌদবা (শীজিন্নখিদবা) ১১-শগোলবন্দ এ সীগী পোষ্টেল বেলোট পেপরশিংগী কাউন্টর ফোইলশিংগা লোয়নবা পোষ্টেল বেলোট পেপরশিং ইন্সপেক্সন তৌবীয়ু অমসুং মসিগী সর্টিফাইদ কোপি লৌবীয়ু।

মীখল অদুদা শীজিন্নখিদবা পোষ্টেল বেলোট পেপরশিং অদু ভেলিদ ওইব্রা নৎত্রগা টেন্দর নৎত্রগা রিজেক্ট ওইবা য়াওখিব্রা, পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা শীজিন্নবনি হায়দুনা মশীং থিখিবা পোষ্টেল বেলোট পেপরশিং অদুগী কাউন্টর ফোইলশিংসু ইন্সপেক্সন তৌবগা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# অৱা-অনা থিদোক্তুনা ৱাৎত-পাদবা খুরাই এ সী ওইহনগনি : লোকেন্দ্রো

## ০৩ - খুরাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি

**মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং**

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোকক্দৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী ইলেক্সনদা ০৩-খুরাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরল্লিবা লোকেন্দ্রো (৩২)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারল্লিবনো অমদি খুরাই এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী ‘মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং’ হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -



**ৱাহং :** লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরল্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

**পাউ :** মতম শাংনদগী হৌনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা লুচিংবশিংগা মীয়ামগগী মরক্তা অচৌবা শম্বল খাদুনা লৈরকপা অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুসন কয়া চাওখৎপগী লম্বীদা থেংথনা লৈরক্লি। অসিগুম্বা মীয়াম অমদি মীয়ামগীদমক্তনি হায়না লৈরিবা লুচিংবশিংগী মরক্তা খাদুনা লৈরিবা শম্বল অসি লৌথোক্তুনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনদুনা খুরাই এ সী অসিবু চাওখৎনবা হোৎনগে। লোয়ননা লৈত-লায়রবা মীওইশিংগী অমদি তুংগী হৌরল্লিবা মীরোলশিংগীদমক থবক কয়া তৌনিংবা মরম্না পোলিটিক্সকী লম অসিদা খোঙদারকখিবনি।

**ৱাহং :** হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

**পাউ :** লৈঙাক অমা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা তৌরিবা থবক-থৌরমশিংগী মতুংইন্না অদুমক ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বদু ময়েক শেংনা উবা ফংগনি হায়জ নিংই। মীয়ামগী থাজবা পূন্নমকপু মাঙহল্লগা করিগুম্বা খরা ফংনবগীদমক হোৎনরুবদা এম এল এ খরা দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবসি মীয়ামগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবনি। লুচিংবা অমা ওইরগদি মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌহন্নিংই।

**ৱাহং :** লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা যুম্ফমদা মীখল লান্থেংনগে খনবিরি।

**পাউ :** হৌজিক-হৌজিক এন দি এ গভর্ণমেন্টকা পুন্না চৎমিন্নরিবা জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু) পার্টিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমা ওইনসু লৈরি। মরম অদুনা হৌজিকমক্কী ওইনদি জনতা দল য়ুনাইটেদ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### হুইয়েন লানপাউগী ডা. অথৌবদা ফেলোশিপ পীরক্লে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) ইম্ফালগী ঐচ আই ভি/এইদস মীদিয়া ফেলোশিপ- ২০২১-২২গী ওইনা পাউচে অসিদা রেসিদেন্ট এদিটর ওইনা থৌ পুরিবা ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈবু খল্লে হায়রি।

ঙসি মেক্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর হাওবম রোসিতানা ওল্ড সেক্রেটরিএটতা লৈবা মহাক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### সী এমনা স্কোলরশিপকী লুপা ক্রোর ২৩.০১ য়েন্থোকখ্রে

**মণিপুরগী হ্যুমেন রিসোর্স মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি : বিরেন**

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা হ্যুমেন রিসোর্সকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক্কী মাঙজিল থাবা থবকনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা ও বি সী/এস সী/ইকোনোমিকেল্লি বেকৱার্দ ক্লাসেসশিংগী মহৈরোয়শিংদা প্রী-মেত্রিক অমসুং পোষ্ট-মেত্রিককী স্কোলরশিপশিং মহৈরোয়শিংদা হকথেংননা য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, নিতি আযোগনা রিলিজ তৌরল্লিবা স্কুল এদ্যুকেসন ক্বালিটি ইন্দেক্সকী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী অপিকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা মকোক ইথং থংলে। মণিপুরগী ইনখৎলল্লিবা নহারোলশিং অমসুং মতিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## সেসন্স জজ আরকে মেমচানা লুচিংদুনা লিগেল এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) : নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ), ইম্ফাল ইষ্টনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গা খূৎশম্নদুনা লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওল্ড এজ হোমশিংদা নোংমগী ...মখা লামায় ৩ কলম...




HL-P/0299/10th Oct to 9 Nov.
HL-B/7253/29

